# এনএসসিএন (আইএম)না লালমাতিদগী মণিপুরদা চংলকপা গাড়ী ৭ পুন্না ফাজিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, আগষ্ট ২ ঃ* হৌখিবা মে ২৫দা এনএসসিএন (আইএম)না ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী পুথোরকপা গাড়ী ৭ নাগালেন্দগী লালমাতিদগী পুল্লপ ফাজিনখ্রগা ঙসি ফাওবা মরী মখোং অমত্তা খঙহল্লক্ত্রে। গাড়ী ৭ অদুগী মনুংদা ৫ অমদি দিমাপুরদা লৈবা এনএসসিএন (আইএম)গী হেব্রোন কেম্পতা লৈরি অদুগা ২ অমনা য়োহোকখ্রে হায়বগী পাউ ফংলে। হিরমসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা গাড়ী অদুবু পুথোরকপদা য়াওরকখিবা শিংজমৈ চীংঙামখা ওইনাম লৈরক্তগী সুখাম শিভানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, এ ষ্টার মারুটি কার ২, অল্টো কার ৩ অমদি মারুটি ৮০০ অনি পুন্না গাড়ী ৭ মে ১২ দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লৈরগা ইম্ফাল তম্না পুথোরকখিবনি। গাড়ীশিং অদু এ ষ্টারদনা লুপা লাক্ষ ২.৯৫ অমসুং লুপা লাক্ষ ৩.২৯ দা লৌরকখিবনি। অল্টো কার অদুনা মথংশিংনা লুপা ২,১৪,৫০০, লুপা লাক্ষ ১.২৭ অমসুং লুপা লিশিং ৯৬ তা লৈরকখিবনি। মারুটি ৮০০ অদুনা লুপা লিশিং ৯০ অমসু ৮৫ দা লৈরকখিবনি।

গাড়ীশিং অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী লৈরগা মে ১২দগী থৌদোরকখি। মে ২৫ দা দিমাপুরদা থুংলবা মতুং দিমাপুরগী পুরনা বজারদা এনএসসিএন (আইএম)নি হায়বশিং অদুনা গাড়ীশিং অদু পুল্লপ ফাজিনখি। লোয়ননা গাড়ীশিং অদুগী টেক্স ওইনা লুপা লাক্ষ ১.৭৫ পীয়ু নত্রগনা এ ষ্টার ২ অমসুং অল্টো কার অমা থম্লম্মু হায়বদগী কন্না ঙাংনরবা মতুং লুপা লিশিং ৩৫ য়ানরগা লৌহৌখি। পৈশা অদু লৌহৌরবা মতুং য়াম্না থুনা মফম অদুদগী চৎখ্রো, অতোপ্পা পার্টিশিংসু অমুক লাক্লগানি হায়না খঙহল্লকখি।

গাড়ীশিং অদু দিমাপুরদগী থৌদোরক্লগা কোহিমা য়ৌগদবা কিলোমিটর খরা ৱাৎলিঙৈ লালমাতি এরিয়াদা অমুবা মচুগী নম্বর থাদবা অল্টো কারদা তোংলগা লাকপা মীওই অহুমনা গাড়ী ৭ অদুগী মনিং থংনা থৌরক্লিবা গাড়ী অনিগী মমাংদা ক্রোস তৌশিন্দুনা খামজিনখি। থৌওংদুনা গাড়ী অদু থৌবা য়াদনা খামদুনা লৈরিঙৈ এনএসসিএন (আইএম)নি হায়বা মখোয় অহুম কুমথরক্লগা গাড়ীগী ছো পীরক্লবা খঙহনবগা লোয়ননা চে-চাং পুথোকহন্দুনা য়েংখি।

চে-চাংশিং অদু য়েংলবা মতুং গাড়ী অনি অদু মখোয়গা পুন্না অমুক থৌমিন্নরক্লগা লাকখি। অদুম ওইনমক মমাংদা থৌগৎখিবা গাড়ী ৫ অদু ভারত পেট্রোলিয়মদা থাও হান্দুনা লৈরিঙৈ পুন্না থেংনমিন্নখি। মফমদুদগী গাড়ীশিং অদু পুল্লপ কোহিমা নাগা হোস্পিতালগী ওপোজিট ওইনা লৈবা লম্বী অমদা থৌজিনহন্দুনা চীংয়া অমদা পুশিল্লগা মখোয়গী মকোক থোংবা ওফিসার লাক্কনি হায়না ফাজিন্দুনা থমখি। লোয়ননা মখোয়দা য়াওরিবা মোবাইল ফোন অমসুং গাড়ী অদুদা য়াওরিবা এয়ার বেগশিং অদুসু লৌশিনখি।

গাড়ীশিং অদু মখোয়না থৌবা য়াবা থৌরবা মতুং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা কোহিমাগী হোটেলনি হায়বা অমদা পুশিল্লগা লৈহল্লগা কোন্না পাউ ফাওনসি হায়না মোবাইল নম্বর অমা পীরল্লগা হনখি। হোটেলনি হায়রিবদুসু চংদুনা য়েংলুবদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী ওফিস ওইরমখি।

গাড়ী অমদি মশাদা য়াওবা পোৎ-চৈ খুদিংমক লোয়না লৌশিনখিবদগী উপাই লৈতদুনা মখোয় ৭মক মেন রোদ ফাওবা খোংনা থোরক্লগা মখোয়গা চৎমিন্নবা সেনাপতিদগী মীওই অমগী য়ুমদা অহিং য়ারেকখি। গাড়ী মুলহৌবা থা অমরোম ফারবা মতুং সেনাপতিদগী মখোয়গা চৎমিন্নরুবা মীওই অদুগী য়ুমগী থোঙ্গালদা এ ষ্টার অমা খামদুনা লৈবা উবদগী চিংনদুনা য়েংলুবদা মখোয়না ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী লৈরকখিবা গাড়ী অদুমক ওইরমখি। অদুবু গাড়ীদুগী নম্বর নাগালেন্দগী ওহোক্লগ্রে। মতুং তারকপদা গাড়ী অদু সেনাপতি পুলিস ষ্টেসন্দা থম্লবা মতুং পুলিসতগী লৌথোক্লগা হাপ্তা অমরোম থৌনরবা মতুং এনএসসিএন (আইএম)গী টাউন কম্যান্দরনি হায়বা অমা অমুক লাক্লগা গাড়ী অদু পুলিসতা এফআইআর তৌবসু য়ারোই হায়না কিহল্লল্লগা অমুক পুরগা চৎখিবদগী মফম খঙখিদ্রে। মরম অদুনা হিরমসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীদুনা গাড়ীশিং অদু ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। গাড়ীশিংদু হুরাল্লকখিবা অমত্তসু নত্তে। চে-চাং শুনা লৈরকখিবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।